


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, SEPTEMBER 20, 2018 PAGE 7


*চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ 'বি' গী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী ক্লব পিএসভি এন্ধোভেনবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীবদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা লিওনেল মেসি*

*চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়াদুনা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী রাসমস গেমকেবু মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী সট্লর কিদম্বি স্রিকান্থ*

## ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা হোং কোংবু রন ২৬ তা মায়থিবা পীখ্রে

*দুবাই, সেপ্টেম্বর ১৯ঃ*

যুএইনা যুম্বু ওইদুনা শান্নরিবা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা হোং কোংবু রন ২৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

দুবাইদা লৈবা দুবাই ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং হোং কোংনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস হোং কোংনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু তৌরকপদা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৮৫ লৌবা ঙমখি।



*ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সেঞ্চুরি লৌখিবা সিখর ধৱননা হরাওবা উৎপা*

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফিভম ফজরকখি। ওপনর অমসুং কেপ্টেনসু ওইরিবা রোহিট শর্ম্মা বোল ২২ মায়োক্লবদা রন ২৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ৪৫ লৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱন অমসুং নৌনা চঙলকখিবা অম্বাটি রায়ুদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু য়াম্না ফজনা শেমগৎলকখি। অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ১৬১ য়ৌহনবা ঙমখি। অম্বাটি রায়ুদু মশাগী রন ৬০ লৌরম্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং নৌনা চঙলকখিবা দিনেস কার্থিকনা ওপনর সিখর ধৱনগা অনৌবা পার্টনর্সিপ অমা শেম্না হৌখি।

ওপনর সিখর ধৱননা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ১২০ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১৫ য়ৈরগা রন ১২৭ লৌরম্লগা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ২৪০ শুরকপদা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অহুমশুবা ৱিকেট তুখি।

দিনেস কার্থিকসু বোল ২৮ মায়োক্লরম্লগা রন ৩৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা ৱিকেট কিপর মহেন্দ্র সিংহ ধোনি রন অমত্তা লৌদনা আওট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন কেদর যাদবনা আওট ওইদনা রন ২৮ লৌরম্বা অদু নত্তনা মখা তানা থোরকখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৮৫ লৌবা ঙমখি।

হোং কোংনা মায় পাক্লবগী রন ২৮৬ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৫৯ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা হোং কোংবু রন ২৬ তা মায়থিবা পীখি।

হোং কোংগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফিভম য়াম্না ফজরকখি। অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ১৭৪ হাপচিনবা ঙমখি। ওপনর নিজাকট খান অমসুং কেপ্টেন অনসুমান রাথনা ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লুবা ঙমদুনা রন য়াম্না লৌবা ঙমখি।

ওপনর অনসুমান রাথ বোল ৯৭ মায়োক্লবদা রন ৭৩ লৌরম্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং বাবর হায়টনা নৌনা বেট্টিং তৌবা থোরকখি। অতোপ্পা ওপনর নিজাকটসু য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা বোল ১১৫ মায়োক্লরবা মতুং রন ৯২ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী হোং কোংগী অনীশুবা ৱিকেট তুখি।

ওপনর অনী আওট ওইখ্রবা মতুং মখা তানা চঙলকখিবা অতোপ্পা হোং কোংগী বেটসমেনশিং ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদবদগী ওভর ৫০ লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৫৯ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা হোং কোংবু রন ২৬ তা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী য়ু–১৬ টিমনা পাকিস্টান টিমবু ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*উলানবাটর, সেপ্টেম্বর ১৯ঃ*

এ এফ সি য়ু–১৬ ৱ্যুমেন্স চেম্পিয়নসিপ ক্বালিফাইয়র মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপী টিমনা পাকিস্টানগী য়ু–১৬ নুপী টিমবু য়াম্না লাকচনা ৪–০দা মায়থিবা পীখ্রে।



*ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপী ফুটবোল টিম*

উলানবাটরদা লৈবা এম এফ এফ ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা এএফসি য়ু–১৬গী ক্বালিফাইয়র মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা পাকিস্টানগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীখি।

শান্নবগী ২২শুবা মিনিট ইন্দিয়াগী এভিকা সিংহনা পাকিস্টানগী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জলসু ওইখি। ইন্দিয়াগী অনিশুবা পাঞ্জল অদুনা পাকিস্টানগী গোল কিপ্পর আয়েসা শোইদগী ওউন গোল ওইনা শান্নবগী ৪৩শুবা মিনিটতা চনশিনবদগী ফংখিবনি।

পাঞ্জল অনী ফংদুনা লৈরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা খুদোংচাবা লৌদুনা মখা তানা চখ্বরকখিবা এটেক্তা টিম অসিগী অহুমশুবা পাঞ্জল শান্নবগী ৪৩শুবা মিনিটতা ফংখি। ইন্দিয়াগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু টিম অসিমক্কি শান্নরোই সুনিতা মুন্দানা বোল নিংথিনা পায়দুনা শান্নবদগী পাঞ্জল ওনথোকপা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী মরিশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৮৮শুবা মিনিটতা সিলকি দেবীনা চনবা ঙমখিবনি। শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লবা অরোইবা মিনিট ফাওবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেটচকি মতম লোইখিবনা ঙসি শান্নখিবা ক্বালিফায়র মেটচ অদু পাঞ্জল ৪–০দা মায় পাকখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচট অদু ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা মায় পাকখিবসিনা লীগ টেবলগী মকোক ইথং থংনা পোইন্ট ৬ ফংলগা লৈবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা চনখিবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়া টিমগী সুনিতানা পীরকপা পাস অমা অভিকানা পাকিস্টানগী গোল তম্না কাওশিনবদগী পাঞ্জল ওম্থোক্কুনা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাখিবনি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হান্না চনশিনবা ঙমখিবা অমসুং শোয়বদগী ওউন গোল অমা চনখিবনা পাকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা দেফেন্সিপ প্লে ওইনা শান্নখি।

এএফসি ক্বালিফাইয়র অসিগী ইন্দিয়াগী মখা তাবা মেটচ ইরাই নুমিৎতা মঙ্গোলিয়াগা শান্নগনি।

## ৱার্ল্ড জুনিয়র রেষ্টলিংদা থংননা মেদল লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা রেষ্টলর সাজন ভনৱালনা ওইরে

*স্লোভাকিয়া, সেপ্টেম্বর ১৯ঃ*

ৱার্ল্ড জুনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপতা থংনা–থংননা মেদল লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা রেষ্টলর সাজন ভনৱালনা ওইরে।



স্লোভাকিয়াদা থা অসিগী ১৭গী হৌদুনা ২৩ ফাওবা চখ্থগদৌরিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপকি ঙসি শান্নখিবা কেজি ৭৭ কাংলুপকি গ্রেকো রোমান ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সাজন ভনৱাল রুসিয়ান রেষ্টলগী মখুৎতা ৮–০দা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেদল ফংহৌবনি। মমাং চহীদা ফিন্দলেন্দগী টাম্পরেদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নসিপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি।

বাউট অদুগী সেকেন্দ ৯০ শুবদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সাজনবু রুসিয়াগী রেষ্টলর ওপিইভনা পার টেরে পোজিসন তম্না লংথোরকখি। সাজননা মখাদা উপতুনা লৈখিবনা ওপিইভনা খুদোংচাবা লৌদুনা শান্নরক্তুনা অহেনবা পোইন্ট ৭ ফংখিবদগী বাউট অদু মাঙজিল থাখি।

বাউট অদুগী ষ্টেন্দিং পোজিসন শান্নবদা ওপিইভনা সাজনবু মেটচকি মপান তম্না পুশিন্দুনা থমখি। মদুদা অহেনবা পোইন্ট ফংবদগী বাউথ অদু ৮–০দা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

পনবা য়াই ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপগী কেজি ৭৭গী কাংলুপকি ফাইনেল বাউটতা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সাজন ভানৱানা সেমি ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী দমিত্রো গারদুবৈবু মায়থিবা পীরমখি। ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতনা নোরৱেগী পর এন্দর্স কুরেবু মায়থিবা পীখিবনি।

## চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোলদা স্পেনগী বার্সেলোনা অমসুং ইংলেন্দগী লিভরপুল মায় পাকখ্রে

*বার্সেলোনা। লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৯ঃ*

য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ক্লবশিংগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগতা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা অমসুং ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুল মখোয়–মখোয়গী গ্রুপকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

ঙসি বার্সেলোনাগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা কেম্প নৌদা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অহানবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনানা নেদরলেন্দসকী ক্লব পিএসভি এন্ধোভেনবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুদা বার্সেলোনাগী শান্নরোই লিওনেল মেসিনা হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। লিওনেল মেসিনা শান্নবগী ৩২, ৭৭ অমসুং ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখি। অদুগা টিম অসিগী অতোপ্পা পাঞ্জল অদুনা ওসমানে দেম্বেলিনা শান্নবগী ৭৫শুবা শুবা মিনটতা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৪–০ দা পিএসভি এন্ধোভেনবু মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী ক্লব ইন্টর মিলাননা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

লিভরপুলগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা অহানবা, ৩৬শুবা মিনটতা জেমস মিলনরনা পেনাল্টিগী মতেংনা অনীশুবা অদুগা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা রোবার্টো ফিরমিনোনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পেরিস সেন্ট জর্মেনগী পাঞ্জল অনী অদু শান্নবগী ৪০ অমসুং ৮৩শুবা মিনটতা চনখি।

## ইন্দিয়াগী আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং রানকিরেদ্দিনা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী মেডালিষ্ট মায়থিবা পীখ্রে, স্রিকান্থসু মায় পাকখ্রে







*মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি*

*চাংঝৌ, সেপ্টেম্বর ১৯ঃ*

চাইনাগী সিটি চাংঝৌদা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা য়ুএস দোলর ১,০০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী পেয়র আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দিনা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী সিলভর মেডালিষ্ট মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোইশিং কিদম্বি স্রিকান্থসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী সিলভর মেডালিষ্ট ইংলেন্দগী মার্কস ইলিস অমসুং লোরেন স্মিথপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ২১–১৩, ২০–২২, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দিনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেসিয়াগী চান অমসুং গোবু ২১–১৮, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্বা অহানবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী ঝেং সি ৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংগা শান্নরগনি।

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা দেনমার্ককী রাসমস গেমকেবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম ইন্দিয়াগী স্রিকান্থনা য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ২১–৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদা দেনমার্ককী শান্নরোই অদুগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকপদগী পোইন্ট ইন্ন–ইন্নদুনা লাক্লবা মতুং স্রিকান্থনা গেম অদু ২১–১৯ দা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী মার্ক কালজোবু ২২–২০, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্বা থাইলেন্দগী সুপানয়ু এভিহিংসানোগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবা চাইনাগী সি য়ুকিনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টোবু ২৩–২১, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী এ এন্টোনসেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ১৮–২১, ২১–১৯, ২১–১৮ দা থোইরম্বা সাউথ কোরিয়াগী লি হিয়ুন ইলগা শান্নরগনি।

অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা হন্দক্তা লোইশিনখিবা জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী ব্রাইস লেভরদেজবু ২১–১৪, ২১–১২ দা কোম্না মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংবু চাইনাগী গাও ফাংজিনা ষ্ট্রেট গেম ২১–১৭, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা জপান ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা দেনমার্ককী এম ব্লিচফেল্টপু ২১–১৩, ২১–১৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## মেটচ মঙাগী সেরিজগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু মায়থিবা পীখ্রে

*কাটুনায়াকে, সেপ্টেম্বর ১৯ঃ*

মেটচ মঙা শান্নগদবা অহানবা টি২০ ইন্টরনেস্নেল সেরিজদা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিক্কেট টিমনা শ্রী লঙ্কা টিমবু রন ১৩দা মায়থিবা পীখ্রে।



শ্রী লঙ্কাগী কাটুনায়াকেদা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু থোইহনবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই জেমিমাহ রোদ্রিগস অমসুং পূনম য়াদবনা অচৌবা মতেং পাঙখি।

নহা ওইরিবী শান্নরোই জেমিমাহ রোদিয়গসনা বোল ১৫দা রন ৩৬ লৌবা ঙমখি। ওভর অমদা সিক্স ৬ য়ৈবা ঙম্বী ইন্দিয়াগী অহানবা শান্নরোই ওইখি।

চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবী শান্নরোই রোদ্রিগসনা ৱিকেটকিপ্পর তানিয়া ভাটিয়াগা পুন্না শান্নবদা বোল ৩৫দা রন ৪৬ লৌখি। রোদ্রিগসকা অনুজা পাটিলগা শান্নবদনা বোল ২৯দা অপুনবা রন ৩৬ লৌখিবনা ইন্দিয়ানা অপনুবা ওভর ২০শান্নবদা পুন্না রন ১৬৮ লৌবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকপদা শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোইশিংনা মেটচ অদুবু থোইননবা ইন্দিয়াগী টিমনা থম্লম্বা টার্গেট রন য়ৌননবা কন্না হোৎনরকখি। শ্রী লঙ্কাগী য়াসোদা মেন্দিসনা বোল ১২ শান্নবদা অপুনবা রন ৩২ লৌবা ঙমখি। অদুগা চামারি অটাপট্টুনা বোল ২২দা রন ২৭ লৌখি।

য়াম্না নিংথিনা শান্নরকখিবা ইন্নিংস অদু ইন্দিয়াগী লেগ–স্পিন্নর য়াদবনা লংখিবা বোলশিংদা শ্রীলঙ্কাগী বেটমেনশিংদা অচৌবা খুরৌ ওইহনখি।

মশাগী চহী ২৭শুরবী ইন্দিয়াগী স্পিন্নর অসিনা ওভর মরি লংবদা সুপ্নতগী রন ২৬ পীদুনা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোল্লর রাধা য়াদব অমসুং হরমনপ্রীট কোরনসু ৱিকেট অনী– অনী লৌবা ঙমখি।

মায়থিহৌবা টিম ওইখিবা শ্রী লঙ্কাগী খ্বাইদগী ফবা বেটমেন ইসানি লোকুসুররিয়াগেনা ওইদুনা বোল ৩১ শান্নবদা রন ৪৫ লৌবা ঙমখি। শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোইশিংনা ফনা কন্না হোৎনরবসু ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী হৈশিংবা অমসুং টিম মেটশিংনা লিংজেল মান্ননা শান্নবনা শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোই পুম্নমক ওভর ১৯গা বোল ৩দা আউট ওইবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়া রন১৩দা মায় পাকখি।

মেটচ মঙা শান্নগদবা সেরিজ অসিগী অনীশুবা মেটচ ইরাই নুমিৎতা কলম্বোদা শান্নগনি।


PMKVY

Skill India

N·S·D·C National Skill Development Corporation

**FREE**

Short Term Training course in Self Employed Tailor

Under the Sponsorship of Pradhan Mantri Kaushal Vikas Yojana (PMKVY) in collaboration with SKILL INDIA & NSDC.

Highlight of the Course

- Regular classes theory with practical
- Fabric cutting, stitching etc.
- Pattern making.
- Job offer/ placement.
- Stipend in every selected trainers.
- Many more offers.

Class Commencing on, 3rd October, 2018.

Spot admission is going on.

Few seats are vacant.

More details, Contact,

Manipur Welfare Organisation

TP007254

Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal,

Near Royal Academy of Science, Imphal -East.

Contact No. 9774723147/ 9774328353

Email. shotingotimayum@gmail.com tamsharma09@gmail.com

Last date of admission 27th September, 2018.

SL/4025/19 & 20